# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM
# (Date: 27-05-2025)

**কোকোমি (এল)**ঃ মনিপুরদা চহি অনি হেন্না লৈরক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসি লোয়শিন্নবগী পান্দমদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা কোকোমিগী মীহুৎশিংগা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে।

নাকল অনিগী ওইবা অহানবা মীফম অদু ঙসি নুমিৎযুংবা মতুংদগী হৌরগা পুং অনিরোম শান্নখি। হীরম অসিগী মতাংদা কোকোমিগী কনভেন্নর-খুরাইজম অথৌবনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-ৱারী শান্নবা অদুদা কোকোমিগী মায়কৈদগী থা অসিগী অহুমদা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদু মন্ত্রালয়গী মীওইশিংদা খঙহনখি। মসিগা লোয়ননা হন্দক গ্বালতাবিদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চেন্নবশিং আইনগী মতুং ইন্না চৈরাক পীবিনবা তকশিনখি। মহাকা হায়-নার্কো টেরোরিজম, ঙমখৈ লানশিনদুনা আইনদা য়াদবা মওংদা মীরৈবাক মচাশিং চংশিল্লকপা অমদি মখোয়না পোপী পান্বী থাদুনা লালহৌলুপশিং শেমগৎলকপনচিংবা অসিগী মতাংদা মন্ত্রালয়গী ওফিসিএলশিংদা পুখৎলদুনা হায়রিবা মীরৈবাক মচানা লুচিংবা লালহৌলুপশিং অসিগা সরকারগা শান্তিগী ৱারীনচিংবা শারকপদগী লমদম অসিদা ইরাং থোরকপগী মরমসু ওইরি। মরম অদুনা কেন্দ্র সরকারনা লম অসিদা মীৎয়েং চংননবা অমসুং অথুবা মতমদা মনিপুরদা চৎথোক চৎশিনদা অপনবা লৈহন্দবা, লাঞ্জেন্নরিবশিং ময়ুমদা হনজিলহন্নবা অমসুং লৌমীশিংনা লৌউ শিংউ চখবা য়ানবা খোঙথাং লৌখৎনবসু তকশিনখি।

অমরোমদা, কোকোমিগী ষ্টুদেন্টস ৱিংনা ইম্ফালদা লৈবা কেন্দ্র সরকারগী ওফিস অনি ছো লোনশিনখ্রে। ষ্টুদেন্টস ৱিংগী ভোলুন্টিয়ারশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী

লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ওফিসতা চংশিল্লক্তুনা ওফিস ছো লোনশিনখি। মফম অদুদা লৈরম্বা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং নমখায়দুনা চংশিল্লক্লবা ওফিস মনুংদা লৈরম্বা কর্ম্মচারিশিং মপানদা থোকবা খঙহনখি। তুংদা, ওফিস অদু ছো লোনশিনখিবনি।   ওফিস অদুদগী খরা চৎথোক্লবা লৈবা জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসসু ঙসি থৌমীশিংনা ছো লোনশিনখি। লোইশঙ অনি অদুগী গেটতা মনিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা ইকায়বা পীবা য়ারোই, লাল্লে হায়জগদবনি হায়বনচিংবা প্লে কার্ড কয়াসু গেটতা থেৎচিনখি। অমরোমদা, মনিপুরগী অপুনবা শক্তমদা শিংনরকপা য়ানিংদে হায়বগী খোল্লাউ কয়াগা লোয়ননা মশিং য়াম্লবা মীয়ামনা মফম কয়াদা থোরক্তুনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী লমলোংদগী হৌরকপা খোইশাউনরবা মীয়ামনা পোরোম্পাৎতা লৈবা দি.সি. ওফিসতা থোমজিনখি। অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈদগী লিলোং ফাওবদা মীয়ামনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা সরকারগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোকখি। মসিগী মথক্তা বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল, বিষ্ণুপুর বজার অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং ইম্ফাল এরিয়াদসু মশিং য়াম্লবা মীয়াম থোরক্তুনা পেন্দবগী খোঙচৎ কয়া চৎখি।

ককচিং জিলাগী তোকপা চিংদসু থা অসিগী ২০ দা গ্বালতাবীদা থোকখিবা থৌদোক অদু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মীয়ামনা ৱাকৎ মীফম চথখি।

**এনআইএ ঃ** নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না অন্টরজাতি ঙমখৈ পরিং লান্না আইননা য়াদবা মওংদা খুৎশু খুৎলায়শিং  অৱাং নোংপোক লমদমগী লালহৌলুপশিংদা পীরম্বা মিজেরামদগী মীওই অহুমগী মথক্তা চার্জ সিট থাংগৎখ্রে।

এন.আই.এনা ইং ২০২৩ গী দিসেম্বর থাদগী অসিগুম্বা খুৎলায় লল্লোনবা কাংলুপ অমা লৈরে হায়বগী পাউ ফংবদগী থিজিনদুনা লাকখিবনি। মসিগী মতুংদা

মিজোরামদগী মীওই অহুম ফাখিবনি। মসিদা মিজোরামগী সেরচিপতা লন্নাইগী নোংমৈগী লাইসেন্স আর্মস দিল্লর অমসু য়াওরি। মখোয়দগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া অমসু ফাগৎতুনা ইন্দিয়ান পেনাল কোদ, আর্মস এক্ত, এক্সপ্লোসিপ সবসটেন্সেস এক্ত অমসুং অনলোফুল এক্তিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্তকী মখাদা ফাখিবনি। এন.আই.এনা মখা তানা হায়-মখোয়না নারোন্দা পুশিল্লকপা নোংমৈশি অসিনা অৱাং নোংপোক লমদম মরুওইনা মিজোরাম অমসুং মনিপুরগী লালহৌবশিংদা মতেং পাংই।

ইং ২০২৩, মে থাদগী রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদসু মখোয়গী অচৌবা খুৎ য়াওই হায়রি।

**পন্দিট (এল)ঃ** পন্দিট জৱাহরলাল নেহরু লৈখিদবগী ৬১ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রদেস কংগ্রেস কম্মিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী বি.টি রোদতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা, শরুক য়ারদুনা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়-ভারতপু বৃটিসশিংগী মখুত্তগী নিংতম্বা ফংনবা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরু য়াওনা লুচিংবা কয়ানা অখাকপা লৈতনা হোৎনখি। মদুগী মহেনা হৌজিক লৈবাক অসি নিংতম্বা ভারত অমা ওইরিবনি। অসিগুম্বা অখাকপা লৈতনা হোৎনদুনা ফংখিবা নিংতম্বা ভারত অসি কনাগুম্বা অমত্তনা থুগাইবা য়ারোই। মসিগীদমক ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নগবনি। নেহরুনা সাইন্স এন্দ টেকোলোজি য়াওনা লম কয়াদা পায়খৎলম্বা থবক কয়ানা ঙসিদি  লৈবাক অসি মালেমগী মীয়ামা শিংথানরি। শ্রী ইবোবীনা হায়-মণিপুরদা থোক্লিবা চহী অনি হেল্লবা ইরাং অসি হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন অমা পুরক্তবা হায়বসি লাইবক থিবনি। রাজ্য অসিদা হৌজিক রাস্ত্রপতি সাসন লৈরবা ফাওবদা তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙমদ্রি । মসিনা রাজ্য অসি চাউখৎলমজেলদা মনিংলোমদা হলহন্নবগী মরম অমা ওইহল্লি।

থৌরম অদুদা, এম.এল.এ, এম.পি অমদি দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং য়াওনা দলগী কর্মিশিংনা শরুক য়াদুনা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী মুর্তিদা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

**দ্রগ (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা থা অসিগী ২৪ দা চুরাচান্দপুর জিলাগী ম্যান্মারগী হাইচিন খুঙ্গং অমসুং ভারতকী স্বাংদো খুল অনিগী মরক্তগী দ্রগ লোল্লবনি হায়বা মীওই অনি ফারে।

মখোয়দগী লুপা কোতি অমা লাখ ১৭ লিশিং ৩০ হেনবগী শেনফমসু মনিপুর পুলিসনা ফংখি হায়রি।

**রাইটস(এল)ঃ** নুপীগী হক অমসুং পোক্সো এক্ট ২০১২ হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মালোম টুলিয়াইমা ইবুধৌ পাখঙবা হরাউফমদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম.এস.সি.ডব্লিয়ু) অমসুং মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগা খুৎশমরগা শিনবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ কয়াগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মেম্বর সেক্রেটরি (এম.এস.সি. ডব্লিয়ু)-ডব্লিয়ু ফজাতোম্বী দেবীনা হায়-নুপী ওইবীশিংনা গ্রাম পঞ্চায়ট থাক্তগী হৌদুনা রাজ্য অমসুং মালেমগী থাক্কী শিংথানিংঙাই ওইবা মফম অমা কনবা ঙমলে। নুপীশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা নুপীগীদমক অখন্ননা শেম্বা আইনশিং অমসুং পোক্সো এক্টকী মতাংদা খঙমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**সেনাপতি(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা দিষ্ট্রিক্ট ইনর্ফোমেসন টেকে ালোজি-সেনাপতিগী খুৎশমরগা ই-ওফিস শিজিন্নবগী মতাংদা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদা নীংথিনা তাকপী তম্বীবগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা জিলা অদুগী

দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

তাঙ্কক নাইনা চত্থদৌরিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি, সরকারগী কর্ম্মচারিশিংবু ই-ওফিসকী খুত্থাংদা থবক শুহন্দুনা ওফিসকী থবক থৌরম হেন্না লায়থোকহন্নবা পান্দমদা পায়খৎপনি। মসিনা সরকার অমদি মীয়ামগী মরক্তা মনুং মপান পাওনা উহন্দুনা শেঞ্জা থুমজাগী থবক হন্থহনবা ঙমগনি হায়রি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রোম অসি মথং থাগী অনি ফাওবা চত্থগনি।

**থৌবাল(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখো মণি গালর্স কলেজগী ইন্টরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল অমসুং এন.এস.এস. য়ুনিট অনিনা রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকা খুৎশমরগা প্লাষ্টিক শিজিন্নবনা মোৎহনবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা কলেজ অসিগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

প্লাষ্টিকনা মোৎহনবগী থবক মালেম অসিদগী মুত্থৎলসি হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওজা অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**ওবিট (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী সদস্য ওইরম্বা-পিটর ফৈরে, ঙসি অয়ুক লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৭ শুখ্রে। মহাক ইং কুমজা ১৯৭১ দা চিঙাই বিধান সভা কেন্দ্রগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মীখলদা মায় পাকখি। মহাক, অইবা অমা ওইবতা নত্তনা উকিল অমসু ওইরম্মী। মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মহাক্কী পোকফম লমদম ফুংচমদা হয়েং পুরক্কনি।

মহাকা লৈখিদ্রবা মনিপুর বিধান সভাগী সদস্য-খাশিম বাশুমনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। পিটর ফৈরেনা রাজ্য অসিগীদমক হোৎনরম্বা কয়া অদু হৌজিকসু মীয়ামনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি হায়খি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত্তা হন্দক থোকখিবা

থৌদোকশিংনা ভারতকী মায়োক্তা কুইনা শেম শাদুনা লাক্লবা প্রোক্সি ৱার চথ্থরে হায়বসি ময়েক শেংলে।

গুজরাটকী গান্ধিনগরদা লৈবা মহাত্মা মন্দিরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী ঙমখৈদা চথ্থরক্লিবা থবক থৌরম কয়া অসিনা পাকিস্তাননা টেরোরিজমবু নীংথিনা য়োকখৎলে হায়বগী চপ চাবা প্রমান ফংলে। হন্দক চথ্খিবা ওপরেসন সিন্ধুরদা শিখিবা পাকিস্তানগী টেরোরিষ্টশিংবু লৈবাক্কী থবক্তা ইকায় খুমবা অমদি মখোয়গী অশিবা হকচাংশিংদা পাকিস্তানগী ফিরাল কুপলিবা অদুনা প্রমান অসি অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংহল্লে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা লৈবাক অসিদা চথ্থরক্লিবা থবক থৌওংশিং নীংথিনা খঙজিনবগী মতম ওইরে। লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা শিংনরকপশিং কৈদৌঙৈদা সরকারনা য়াশিন্নবা তৌরোই। লৈবাক অসিনা খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লিবা অসিগী মংলান অসিদা নাগরিক খুদিংমকা শরুক য়াগদবনি অমদি মায় পাকহনগদবনি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী ধরতি অবা জন-জাতিয়া গ্রাম উক্ররস অভিয়ান কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা উখ্রুল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনা জিলা অসিগী মীয়ামদা সরকারগী ওইবা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলি।

কেম্পেইন অসিগী মরুওইব পান্দমদি, লৈবাক অসিগী সেদ্যুল ত্রাইব ওইনা শকখঙলবা ফুরুপশিংবু অফবা লম্বী থোং, থকনবা ঈশিং, মহৈ মশিং অমসুং হকশেলগী ওইবা খুদোংচাবা কয়া ফংহনবা অসিনি। উখ্রুল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অশিস দাসনা জিলা অসিদা অধার কার্ড, রেসন কার্ড, অয়ুসমান ভারত কার্ড অমসুং কেন্দ্র সরকারগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা অখন্নবা কেম্প কয়া পায়খৎলি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** কংলৈ উমং লাই হরাউবা ২০২৫ হায়বা হীরমদা নুমিৎ তরেৎনি চুপা চথুগদবা রাজ্য থাক্কী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা থৌবাল জিলাগী নোংপোক নিংথৌ অপান থোইবী ত্রষ্ট উত্রা মশা-না শিনদুনা থৌবাল জিলাদা লৈবা নোংপোক চিংদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উমং লাই হরাউবদা, লাই হরাউবগী হৌরক্লোন হায়বা হীরম অসিদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী সেক্রেটরিনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

**ব্লড (এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি কলেজ ওফ টিচরস এদুকেসননা কলেজ অসিগী ৱাংমদা লৈরিবা মীয়ামগা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা কম্ম্যুনিতি কণ্টক্ট এক্সটেন্সন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ মরিনি চথুগদবা প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কলেজ অসিগা জেনিমস ব্লড সেন্টরগা খুৎশমদুনা ভোলুন্টরি ব্লড দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নমীচম মীয়ামদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা মনা-পদ্মা ভি-ভুসন, পদ্মা ভুষন, অমসুং পদ্মশ্রী এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে।

পদ্মশ্রী মনা ফংলবশিংগী মনুংদা মনিপুরগী, মনিপুরি ক্লাসিকেল দান্সতা-থিয়াম সুরজামুখি দেবী য়াওরি।

রাস্ত্রপতি ভবনদা পাঙথোকখিবা এৱার্দ খূৎশিন্নবগী থৌরম অসি চহী অসিগী ওইনা অনিরক শুবনি। মসি তোঙান তোঙানবা লমশিং জগোই-ঈশৈ, মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবক তৌবা, শান্নখোৎনবা, হকশেল, ললোন ইতিক অমদি পব্লিক এফিয়র্সকী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক পাঙথোকপা মীওইশিংদা পীবনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-মীওই ১৩৯ দা পদ্মা মনা পীনবা সরকারনা

লাউথোকখিবনি। মসিগী মনুংদা-মীওই ৭ তা পদ্মা ভি-ভুসন, মীওই ১৯ দনা পদ্মা ভুসন, অমসুং মীওই ১১৩ দনা পদ্মাশ্রী মনা খৎশিন্নখি।

**টেক্স ঃ** সেন্ট্রেল বোর্ড ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস (সি.বি.দি.টি) না চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী ইনকম টেক্স রির্টন ফাইল তৌবগী মতম শাংদোকখ্রে।

ইনকম টেক্স রির্টন ফাইল তৌবগী অরোইবা মতম হান্না চহি অসিগী জ্লাই ৩১ দা ওইরম্বা অদু চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ১৫ ফাওবা য়ারগনি হায়রি। সি.বি.দি.টিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ইনকম টেক্স রির্টন ফাইল তৌবগী মওং মতৌদা অহোংবা কয়া লাকখিবনা মীয়ামদা খুদোংচাহন্নবগীদমক খোঙথাং অসি পায়খৎপনি হায়রি।

**মেট(এল)ঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। মণিপুরদা ঙরাং নুংথিল পুং ৬ ফাওবদা নোং চুবগী চাং অসি সেনাপতি জিলানা খ্বাইদগী ৱাংদুনা মিলিমিতর ২০.২ য়ৌখি। ইম্ফাল ইষ্টনা মিলিমিতর ১০ য়ৌনা চুখি। বিষ্ণুপুরদনা অমসুং নোনে জিলাদনা ৮.৬ য়ৌখি।

লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদসু লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অকনবদগীনা ময়াই ওইরপ্পা ফাওবগী চাংদা নোং চুরবা হায়রি । কর্নাতককী সমুদ্র মপালগী মফমশিং, মহারাস্ত্রগী ময়াই থংবা শরুক, গৌৱা, কেরালা, ছতিসগর অমদি তামিল নাদু য়াওনা মফম খরদা নোং চুগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা মখা তারি।

**ঈসিআইঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা রাজ্য সভা সিট ৮ গী মরক্কী মীখলগী মতম লাউথোক্লে।

সিট ৮ অসিগী মনুংদা তামিল নাদুদগী সিট ৬ অমসুং অসামদগী সিট ২ নি। ইলেক্সন কম্মিসনগী পাউনা হায়-মীখল অসিগী মতাংদা মরি লৈনবা

চেরোলশিং মথং থাগী ২ দা থোক্কনি। মীখল মথং থাগী ১৯ দা পাঙথোক্কনি অমসুং নুমিৎ অসিমক্তদা ভোট মশিংসু থিগনি। হৌজিক মথৌ তৌরিবা রাজ্য সভাগী সিট ৮ গী মীহুৎশিং লাক্কদৌরিবা জন্ অমসুং জলাই থাদা মতম লোইরগনি।

**কাং(এল)ঃ** ওইনাম কেন্দ্র টিম (এ) না লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়ারস মোমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিক কম নোক আউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী তাইতল লৌরে।

ঙসি ফাইনেলদা ওইনাম কেন্দ্র টিম (এ) না ৱাঙ্গোই টিম (এ) বু পাঞ্জল ১৯-১৭ তা থোইখিবনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তরুকশুবা কাইয়ো ত্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- ফাইব ব্রদরস এফ.সিনা মোইরাংচা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা অদুগা দাটা ওনরসনা তরংচা এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** লাংমৈদোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলনা চহি ১৮ মখাগী নুপাগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সিক্সতি ফোর ইন্টরনেসনেল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট- ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী চেম্পিয়ন ওইরে।

ফাইনেলদা মখোয়না পোল স্তার স্কুল-ৱাবগাইবু পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থিবা পীখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী চহি ১৫ মখাগী নুপামচাগী কাংলুপ্তনা পি.আর. ইংলিস স্কুলনা ককচিং মোদেল হায়স্কুলবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

**চেস (এল)ঃ** সঞ্জয় খুমুকচমনা তরেৎশুবা খুরাইজম রাম নারায়ন মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল ওপন চেস টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইরে।

**থাং-তা (এল)ঃ** নেসনেল থাং-তা টেকিকেল ওফিসিএল এন্দ কোর্সেস ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসিদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়ুমাম হুইদ্রোম মখা লৈকাইদা লৈবা থাং-তা শঙলেনদা হৌখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৫ শুবা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ অমসুং ইন্দিয়ান ৱিমেন্স লিগ ক্বালিফায়িং রাউন্দ থা অসিগী ৩০ দগী হৌরগনি। টর্নামেন্ট অসিদা ফুটবোল ক্লব ইম্ফার, মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব, য়ুথ ৱেলফিয়ার ক্লব-থম্বালখোং, ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন, দা য়ঙ ৱেলপিয়ার ক্লব লংথবাল অমসুং মনিপুর য়ুনাইটেদ ফুটবোল একাডমী শরুক য়ারি।